# চাইনিজ ভেসেলনা মফম চাদনা পেট্রোল্লিং তৌবদগী সাউথ চাইনা সীদা য়ুএস, ইন্দোনেসিয়া অমসুং চাইনাগী উংখৎনবা হেনগৎলক্লে

ইন্দোনেসিয়া, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

মিলিটরি মতিক ময়াই উত্নুনা অনিংবা অপান্বশিং উখোকপদা মনিং তন্বা হেনগৎলকপগী মরু ওইবা খোঙথাং অমদা চাইনাগী কোষ্ট গার্দ ভেসেল অমনা ইন্দোনেসিয়াগী এক্সক্লুসিব ইকনোমিক জোন (ই ই জেদ) কী মনুং চন্না লৈরিবা নাটুনা সীগী য়েৎনরিবা ঈশিংগা নকশিন্ননা পেট্রোল্লিং তৌবদগী ইন্দোনেসিয়ানা মদুবু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা লানগী জহাজ অমা, মেরিটাইম পেট্রোল প্লেন অমা অমসুং দ্রোন অমা দিপ্লোই তৌদুনা রিছোর্স মরাং কায়না ফঙবা মফম অদুদা রিকোনিসান্সকী থবকশিং পাঙথোকহনখ্রে।



নাটুনা ঈথৎ অসি সাউথ চাইনা সীগী খা ইথং থংবা শরুক্তা লৈরিবনি। চাইনাগী কোষ্ট গার্দ ভেসেল থেংনরিবা নাটুনা ঈথৎকী খা নোংপোকলোমগী শরুক্কা নকশিন্ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু সমুদ্রগী মফম অদুদা য়ুএসএস নিমিস (সি বি এন ৬৮) থমজিনখি।

মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না কন্না কন্টেষ্ট তৌনবা উরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা য়ুএসকী লানগী অচৌবা জহাজ থমজিল্লিবা অদুনা চাইনা অমসুং য়ুএসকী মরক্তা উংখৎনবা লেপত্রি হায়বসি উৎলি। য়ুএসএস নিমিস সাউথ চাইনাদা থৌজিল্লক্লিবদুবু জপান, সাউথ কোরিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগুম্বা মীচং লৈবাকশিংনা তরাম্না ওক্লবসু চাইনানদি মদুনা হেন্না খোইরাং খোইশাওহনখি।

কন্টিনেন্টেল সেল্থ বাউন্দরিগী নোংপোকলোমদা চৎলিবা চাইনিজ ভেসেল অদুবু ইন্দোনেসিয়ন নেভিগী ৱারশিপ (কে আর আই বোন্টাং-৯০৭) অমসুং এয়রক্রাফট (এন সি ২১২) না কোয়শেন শেন্নখি। চাইনিজ ভেসেল অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী সমুদ্র মপানদগী নোটিকেল মাইল ৩৩ লাপ্না চৎথোকখিদ্রিবা ফাওবা লানগী জহাজ অমদি এয়রক্রাফট অদুনা মদুবু কোইন ইন্নদুনা শেন্নখি।

ভেসেল অদুগী লম্বী অদুনা মদু টুনা ব্লোক অমসুং রিয়ু ঈথৎকা য়াম্না নক্লরিবা চিমসাও ওইল এন্দ গ্যাস ফিল্ডগা নকশিন্ননা চৎলি হায়বসি উৎলি। চাইনিজ ভেসেল অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী এক্সক্লুসিব ইকনোমিক জোনগী মনুং চনবা নাটুনা সীগা নকশিন্ননা পেট্রোলিং তৌরক্লিবা অদুনা মরম ওইদুনা চাইনা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মরক্তা অমুক হন্না মুক্নবা হেনগৎলকখি।

হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইন্দোনেসিয়া-ভেটনাম মেরিটাইম বাউন্দরিগা নকশিন্ননা লৈরিবা টুনা ওফসোর গ্যাস ফিল্ডগী অহানবা দিভলপমেন্ট প্লান্ট এপ্রুফ তৌখি। লৈবাক অনীগী এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না টুনা রিজনদগী ফঙলিবা থাউ সবসি পাইপলাইন অমা শীজিন্নদুনা ভেটনামদা সপ্লাই তৌগনি। গ্যাস লাইন অদু সমুদ্র মপান পরিংগী বাউন্দরিদা কিমি ১১ রোম শাংই অমসুং মেনলেন্দ য়ৌনা অমুকসু কিমি ৬০ ফাওবা শাংনা য়ৌই।

টুনা ফিল্ড হায়রিবসি ইন্দোনেসিয়া অমসুং ভেটনামগী টুনা ব্লোক্কী মরক্তা লৈরিবনি। টুনা ব্লোক অসিনা ইন্দোনেসিয়াগী ইইজেট অমসুং চাইনানা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগী চাদা ৯০ রোম পুৱারীগী রেকোর্দশিং শীজিন্নদুনা ক্লেম তৌরিবা 'নাইন-দিয়াস লাইন' গী মরক্তা লৈরিবনি।

মালেমগী লিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস অপুম্বগী চাদা ৪০ হেন্না সাউথ চাইনা সী ফাওরগা পুথোক পুশিন তৌরিবনি। গল্ফতগী পুরক্লিবা লিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস সী অসি ফাওরগা ইন্দিয়ন ওসিন অমদি অতৌ মফমশিংদা য়ৌনবা পুই। সাউথ চাইনা সীদা চত্থরিবা লল্লোন ইতিক্কী ভোল্যুম অসি চহীদা দোল্লর ট্রিলিয়ন ৩.৩৭নি হায়রি।

# য়ুক্রেনদা লেপর্দ ৱান টেঙ্কশিং থাননবা মেন্যুফেকচররশিংদা জমর্নিনা অয়াবা পীখ্রে

বর্লিন, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

মোস্কোগী ফোর্সশিংবু মায়োক্লবদা মতেং ওইনবা অচৌবা খুৎলায়শিং দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা কিভতা ইনোৎ হাপ্পা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা লেপর্দ ১ টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা থাননবগী ওথোরাইজেসন পীরে হায়না ইরাই নুমিত্তা জমর্নিনা ফোঙদোকখ্রে।



বর্লিননা মমাঙদা য়ুক্রেনদা লেপর্দ ২ টেঙ্ক ১৪ মসিগী মিলিটরি ষ্টোক্তগী থারগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মেন্যুফেকচররশিংনসু য়ুক্রেনদা মখোয়গী অৱৈবা টেঙ্কশিং থাবা পাম্বগা লোয়ননা বর্লিননা অয়াবা পীখিবনি। লেপর্ট ১ টেঙ্কশিংগী মতাংদা হংবদা জমর্ন গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন ষ্টেফেন হেবেষ্ট্রিট রেগ্যুলর প্রেস ব্রিফিং অমদা হায়খি, মদুদি এক্সপোর্ট লাইসেন্স অমা ইস্যু তৌরে হায়বসি ঐহাক্না কনফার্ম তৌই।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী নত্ত্রগা চয়োল খরনিগী মনুংদা অহেনবা অকুপ্পশিং পীবা ঙম্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা ইনফোর্মেসনদি পীয়ু য়াখিদে। অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০ দগী হৌনা চহী পরিংদা সার্ভিসতা চঙখিবা লেপর্ট ১ অসি য়ুরোপকী আর্মিশিংনা পাক শন্না শীজিন্নখিবা হেন্না এদভান্স ওইবা লেপর্দ ২ গী মমাঙদা পুথোকখিবনি। জমর্ন মেগজিন দের স্পাইজলগী রিপোর্ট অমদা মিলিটরি মেন্যুফেকচরর অমদা শাবা লোইরবা লেপর্দ ১ ২৯ লৈ হায়না পনখি।

চৈরকসিদা সেদুচি জৈতুম পাউচেগী রিপোর্ট অমনসু মেন্যুফেকচরর অনীনা য়ুক্রেনদা শেমজিন শাজিল্লবা অমদি অহেনবা খুদোংচাবশিং হাপচিল্লবা লেপর্দ ১ দজন কয়া য়ুক্রেনদা থাবা পাল্লবসু মখোয়না হৌজিক এম্যুনেসন প্রোক্যুমেন্টগী মতাংদা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লরি হায়না পনখি। হৌখিবা থাদা বর্লিননা জমর্নিনা শাবা মতিক ময়াই লৈরবা লেপর্দশিং য়ুক্রেনদা থাবগী ৱাফম য়াখিবনি। মদু কিভ অমসুং মসিগী য়ুরোপিয়ন মীচংশিংনা চয়োল কয়া প্রেসর পীরবা মতুংদনি। জমর্ন লোগী মখাদা লৈবাক অসিনা শাবা টেঙ্কশিং লৈখিবা অতৌ লৈবাকশিংনা টেঙ্কশিং অদুবু মপানদা অমুক হন্না থাদোকপা পাল্লবদি মদু বর্লিনগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ুক্রেনদা মিলিটরি হার্দ ৱায়র থারগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবসু কিভনা য়েক্লবগী ফোর্মেসনশিংদা হুৎচিনবা ঙমগদবা টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লবা লেপর্দশিং সপ্লাই তৌরক্লবা তকশিনখিবনি।

# য়ুক্রেননা ইয়ুদা য়াওবগী মতাংদা জেলেন্সকিনা য়ুনিয়নগী লিদরশিংগা ৱারী শানখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকি অমসুং লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোনে দরলিয়ন্না কো ওপরেসন অমসুং কিভনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওখিবা য়ুরোপকী অতৌ লৈবাকশিংনা হিরম কয়াদা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না জেলেন্সকিগী প্রেস সার্ভিস রিপোর্টনা হায়রি।



য়ুক্রেন-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন সম্মিটকী মাঙওইননা শগোলশেল নুমিত্তা কিভতা ৱারী শানখিবা অদুগী মতুংদা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি বোন্দেরলিয়ন অমসুং ইয়ুগী অতৌ ওফিসলশিংনা য়ুক্রেনদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা অদুনা য়ুক্রেনগী য়ুরোপিয়ন ইন্টিগ্রেসনদা য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

য়ুক্রেননা ইয়ুগী মেম্বরশিপকী কেন্দিদেট অমা ওইননবা পীখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুমশিংগী অনীশুবা শরুক্কা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা বোন্দেরলিয়নদগী ফঙলে। রিপোর্ট অসিনা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টগী থবক থৌরমশিংগী মায়কৈ লিরকপদা চাওনা মতেং ওইরগনি। তশেংনমক মসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা পাউ অমনি।

মখোয়গী মীটিং অদুদা জেলেন্সকি অমসুং বোন্দেরলিয়ননা য়ুক্রেন অমসুং ইয়ুগী মরক্তা ট্রেদ লিবরেলাইজেসন, ফাইনান্সিএল কোওপরেসন অমসুং ইনর্জি সপ্লাইগী ৱাফমশিং খন্নখি। নাকল অনীনা য়ুক্রেননা কনফ্লিক্ট মতুংদা পায়খৎকদবা নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অমসুং রসিয়াগী মায়োক্তা থমগদৌরিবা অনৌবা অথিংবশিংগী মতাংদসু খন্নখি। ইরাই নুমিত্তা কিভতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুক্রেন-ইয়ু সম্মিটতা ইকনোমিক, ফাইনান্সিএল, সোসল, ইনর্জি অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন ইস্যুশিং খন্নগনি।

প্রসিদেন্সিএল প্রেস সার্ভিসকী মতুং ইন্না য়ুক্রেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওবগী মথংগী ফেজকী মতাংদসু সম্মিট অদুদা খন্নগনি। কুমজা ২০২২ গী জুনদা ইয়ুগী লিদরশিংনা য়ুক্রেনবু ব্লোক অসিগী মেম্বর ওইনবগী কেন্দিদেট অমা ওইনা একসেপ্ট তৌখিবনি।

# কার্গো জহাজ অনী থেঙ্গায়নবদগী ক্রু মেম্বর অনী মাঙখ্রে

টোকিও, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

জপানগী নোংচুপ থঙবা প্রিফেকচর ইহেমেগা নক্লবা সেটো ইনলেন্দ সীদা জপানিজ কার্গো জহাজ অমা অতোপ্পা কার্গো ভেসেল অমগা থেঙ্গায়নবদগী ঈশিংদা লূপখিবগা লোয়ননা ক্রু মেম্বর অনী থীবা খঙখিদ্রে হায়না কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরক্লি।

ইমাবরি কোষ্ট গার্দ ওফিসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, টন ৭১৬ কী কার্গো জহাজ সৈরিয়ুগা টন ৪৯৯ গী কোয়িমারুগা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ইহেমে প্রিফেকচরগী ইমা বারি সিটিগী সমুদ্র মপানগা নক্লনা থেঙ্গায়নখি।

কোষ্ট গার্দনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ক্রু মেম্বর মঙা য়াওবা সৈরিয়ু ঈশিংদা লাকপগা লোয়ননা পুং ৯ তারমদাইদা লূপখি। ক্রু মেম্বর অহুম রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং অতৌ ক্রু মেম্বর অনীদি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থীবা ফংখিদে। চৈরকসিদা কোয়িমারুদা তোংলিবা মীওই মরিমক অশোয় অঙাম য়াওদ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। হৌজিক ইমাবারি কোষ্ট গার্দনা মাঙখিবা মীওই অনী অদু নক্লবা ঈশিংগী শরুকশিংদা থীবগী থবক চত্থরি। মসিগা লোয়ননা এক্সিদেন্ট অদুগী অকুপ্পশিংগী মতাংদসু থীজিল্লি হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদতা মীওই ২ শিরে

জকারটা, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

ইষ্টর্ন ইন্দোনেসিয়াগী প্রোভিন্স সাউথ সুলাৱেসিদা কুমগী নোং কন্না চুবদগী থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোভিন্সিএল দিজাষ্টর এজেন্সিগী চীফ অমসোল পাদোলোনা লোকেল মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী মফম কয়াদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদশিংদা মীওই অনী শিখ্রে। ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী হকচাংশিং ফঙবা ঙমখ্রে।

দিজাষ্টর অদুনা চৈথেং পীরিবা লোকেলশিংগী অপুনবা মশিং হৌজিক ফাওবা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াদা হৌখিবা দিসেম্বরদগী নোং কা হেন্না কন্না চুবগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎশিং শিত্নুনা কা হেনবা ৱেদরগী ফিভম মায়োক্লদুনা লাক্লি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনচিংবা দিজাষ্টর কয়া থোকখি। লৈবাক অসিগী মেটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি এন্দ জিও ফিজিক্স এজেন্সি (বি এম কে জি) গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী নোংগী সিজন অসিগী খ্বাইদগী কনবা মতমদি জনুৱারীদগী ফেব্রুৱারী ফাওবনি।

# কেমিকেল এটেক চত্থখি হায়বা ৱাটচদোগ অমগী ৱাফম সিরিয়ানা রিজেক্ট তৌখ্রে

দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা সিরিয়াগী ফোর্সশিংনা কুমজা ২০১৮ দা কেপিটেল দমাস্কসকী মনাক্তা কেমিকেল এটেক অমা চত্থখি হায়না মরাল শীরিবা ইন্টর গভর্ণমেন্টেল কেমিকেল ৱাটচদোগ অমনা হন্দক্তা পুথোকখিবা রিপোর্ট অমা য়ুএস অমসুং মসিগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা পোলিটিকেলগী ইথিল পীনবগী পান্দমগা লোয়ননা পুথোকখিবনি হায়রদুনা সিরিয়ানা রিজেক্ট তৌখ্রে।



সিরিয়াগী ওর্গনাইজেসন ফোর ড প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সি দব্লিয়ু) দা লৈবা পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব নিলাদ অকিয়েগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সি পি সি দব্লিয়ুগী রিপোর্ট অদু য়ুএস অমসুং মসিগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা চহী মঙাগী মমাঙদা দমাস্কসকী নোংপোকলোমদা লৈবা দৌমা সবরদা কেমিকেল এটেক চত্থখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা সিরিয়াগী মায়োক্তা চত্থখিবা মখোয়গী এটেক অদু অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরকপনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি দুমাগী থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিল ১৪ দা থৌদোক অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী রিজল্টশিং ঙাইবা তৌদনা য়ুএস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা মরাল কয়া শীদুনা সিরিয়াদা মীনুংশি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদবা মওংদা শাথিরবা এটেক অমা চত্থখি।

হৌজিক্তি অসিগুম্বা লৈবাকশিং অসিনা অসিগুম্বা রিপোর্ট অসি ফোঙহন্নবা প্রেসর পীদুনা লৈরি। মখোয়গী পান্দমদি অহেনবা পোলিটিকেল প্রেসর পীবা সিরিয়াগী মীয়ামদা শেল থুম অমদি অতৌ অথিংবা কয়া থম্পা লোয়ননা সিরিয়াবু লানদা মাঙ তাকখিবশিং অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপগী প্রোসেস চত্থবা ঙমহন্দবা অসিনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জনুৱারী ২৭ তা সি পি সি দব্লিয়ু ইনভেষ্টিগেসন এন্দ আইদেন্টিফিকেসন টিম্না রিপোর্ট অমা ইস্যু তৌদুনা দোমাদা কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিল ৭ তা সিরিয়ন এয়র ফোর্সনা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা মরম কয়া লৈ হায়না ক্লেম তৌখি।

সিরিয়ন এয়র ফোর্সনা চত্থখি হায়রিবা কেমিকেল এটেক অদুদা সিরিয়ন 'টাইগর ফোর্সেস এলিট য়ুনিটকী য়ামদ্রবদা হেলিকোপ্টর অমনা টোক্সিট ক্লোরিন গ্যাস য়াওবা য়েল্লো মচুগী সিলিন্দর অনী দুমাগী রেসিদেন্সিএল এরিয়া অমদা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অনীদা থাদখি অমসুং মদুদা মীওই ৪৩ শিবগা লোয়ননা মীওই দজন কয়া মশাদা তোঙান তোঙানবা মওংদা শোকখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

অসিগুম্বা কেমিকেল এটেক্তা সিরিয়ন মিলিটরি চৈন্নে হায়বা রিপোর্ট খুদিংমক সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা হঞ্জিন হঞ্জিন রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

# কনফ্লিক্ট, ক্লাইমেটকী চৈথেংনা ইথিওপিয়াগী অঙাং মিলিয়ন ৩.৫ হেন্না লাইরিক তম্বা ফঙহন্দ্রে

অদিস অবাবা, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

কনফ্লিক্ট অমসুং ক্লাইমেট শোকশিংনা ইথিওপিয়াগী মফম শীন থুংনা চৈথেং পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অঙাং মিলিয়ন ৩.৫ হেন্না স্কুল কাদনা লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা ফঙদ্রে হায়না য়ুনিসেফনা হায়রি।

য়ুনিসেফনা মসিগী ইথিওপিয়া এদুকেসন ক্লষ্টর ক্বার্টরলি ন্যুজ পেপরদা হায়, মীনা থোকহনবা অমসুং মহৌশাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা অমাঙ অতা থোকহনবগী থৌদোকশিংনা ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা মখা তানা চৈথেং চাওনা পীদুনা লৈরি। কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদগী শাগৎখিবা এদুকেসন ক্লষ্টর দেটাদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অসি শীন থুংনা কনফ্লিক্ট অমসুং ক্লাইমেট শোকশিংনা অঙাং মিলিয়ন ৩.৫ হেন্না স্কুল কাবগী খুদোংচাবা ফঙদ্রে।

কনফ্লিক্টনা চাওনা শোকহল্লবা টিগ্রে রিজনদা স্কুল কাদুনা মহৈ তম্বা য়ারবা অঙাং মিলিয়ন ২.৩ গী মনুংদা অঙাং মিলিয়ন ১.৭ কনফ্লিক্ট অমসুং কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা একাদেমিক চহী অহুম চুপ্পা মহৈ তম্বগী রাইট ফঙহনখিদে হায়বসি সব-রিজনেল ক্লষ্টর রিপোর্ট অদুদা পনখি।

কনফ্লিক্ট অমদি ক্লাইমেট শোকশিংনা মরম ওইদুনা স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী চাদা ৮৮ ফাওবা মাঙহন তাকহনখি হায়বসি রিপোর্ট অদুদা পনখি। হৌজিক লমদম অদুদা লৈরিবা স্কুলশিং অঙাংশিংগীদমক্তা ফর্নিচরনচিংবা হাপচিন্দুনা য়াম্না থুনা রিহেবিলিটেসন চত্থবা মথৌ তাই।

মসিনা লমদম অদুগী মতম শাংনা মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফঙলক্ত্রবা অঙাংশিংবু খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা অমসুং খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোক্কদবা মহৈ তম্বগী ইনভাইরনমেন্টশিং শেমগৎপদা মতেং ওইগনি হায়না রিপোট অদুনা মখা তাখি।

# য়ুরুগ্বেদা ঈকংনা লৌউ শিংউদা শোকহন্দুনা দোল্লর বিলিয়ন অমা হেন্না মাঙখ্রে

মোন্টেভিদিও, ফেব্রুৱারী ৩ (এজেন্সী):

য়ুরুগ্বেদা শাথিবা মওংদা ঈকং থোক্তুনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংগী পোথোক চাথোকশিংদা হকথেংননা চৈথেং পীবগা লোয়ননা দোল্লর বিলিয়ন ১.১৭ লোম হায়বদি লৈবাক অসিগী জিদিপিগী চাদা ১.৯ রোমগী চাংদা মাঙহনখ্রে হায়না এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ঈকংনা মরম ওইদুনা লৌউ শিংউগী লমদা মাঙ তাক্লিবদু মনা মশিং, হৱাই চেঙৱাইনচিংবগী পোথোক্তা য়েংবদা দোল্লর মিলিয়ন ৪৯০ নি। লাইভষ্টোক্কী ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৪৪০ অমসুং শঙ্গোম অমসুং মসিগী পোথোকশিংগী ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ নি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ফর্নান্দো মাটোসনা হায়খি, মদুদি পীরিবা ফিগর অসি রিভিয়ুগী ওইবা প্রিলিমিনরি ইষ্টিমেটনি। গভর্ণমেন্টনা ঈকংগী চৈথেংনা লৌউ শিংগী লমদা শোক্লক্লিবশিং অসি কোকহন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে। পোথোকশিং পুথোক্লবা অমদি মীয়ামদা শোয়দনা শীজিন্নবা ফঙহন্নবা হোৎনবদা ঈশিং শীজিন্নবগী মতাংদা লৈবাক অসিগী ফিভমগা চান্নবা ঈশিং লীবা অমদি য়োকপগী থৌরাং কয়া পায়খৎনবা মহাক্না মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি। কুমজা ২০১৮ দগী য়ুরুগ্বেদা ঈকং থোক্তুনা লৌউ শিংউগী ওইবা লম কয়াদা চাওনা শোকহন্দুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী অসি হৌরকপদগী লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা নোং চুবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ঈকংগী ফিভম হেন্না লুশিল্লকখি।


SBI
भारतीय स्टेट बैंक
STATE BANK OF INDIA

রুল ৮ (১)

## পোজেসন নোটিস

ইম্মুবেবল প্রোপর্টিগী

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট (এস এ আর এফ এ ই এস আই), ২০০২ গী (২০০২ গী নম্বর ৫৪) গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (১২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২ গী রুল (৯) না পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা বোরোৱরদা দিমান্দ নোটিস থাদুনা নোটিস অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস ফঙবা তারিখতগী নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা শিংদোরক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱরনা শেনফম অদু শিংদোকপা ঙমখিদবদগী বোরোৱরগা লোয়ননা মীয়ামদা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমদি মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল ৯ গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসি ওথোরাইজ ওফিসারনা ৩১-০১-২০২৩ দা লৌশিল্লে হায়না নোটিস অসিনা খঙহল্লি।

প্রোপর্টি অসিগী মতাংদা দিল্লিং তৌনদনবা অমদি করিগুম্বা দিল্লিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈনবা শেনফম অমদি ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা মরী লৈনবা চার্জশিংগী ওইনদি ষ্টেট বেঙ্ক, পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌনবা মরু ওইনা বোরোৱর অমসুং মীয়ামদা খঙহল্লি।

| বোরোৱরগী মিং অমসুং লৈফম | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ | ১৩ (২) নোটিসকী তারিখ অমসুং নোটিসতা য়াওবা শেনফম |
| --- | --- | --- |
| বোরোৱর:- শ্রী কৈশাম প্রেমানন্দা সিংহ, অপোকপা কৈশাম অচৌবা সিংহ, প্রোপ. কৈশাম ব্রদর্স এন্দ কো., লৈফম্না ৱাঙ্খৈ ৱাঙ্খৈময়ুম লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর | পাট্টা নং. ২৭/২৮ (পি টি) (অরিবা)/৭২/১০৫৯ (অনৌবা) সি এস দাগ নং. ২০১৩/২৪০৬ পার্ট ওইবা একর ০.১০ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ২৭-ৱাঙ্খৈ নোংপোক, পোরোম্পাৎ সব দিভিজন, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা শ্রী কৈশাম প্রেমানন্দা সিংহগী মিংদা লৈবা মখাদা অসুম্না কোয়শিনবা ইঙ্খোল<br>অৱাং:- শ্রী এন. ইবোচৌ সিংহগী ইঙ্খোল<br>খা :- শ্রী এ. সুনিল শর্ম্মগী ইঙ্খোল<br>নোংপোক :- শ্রী দব্লিয়ু বিরেন সিংহগী ইঙ্খোল<br>নোংচুপ :- শ্রী আরকে জয়েন্ত সিংহগী ইঙ্খোল | নোটিসকী তারিখ ২৬-১০-২০২২<br>লুপা ৮,৫০,২০০/-<br>(লাক্ষ নিপান লিশিং য়াঙ্খৈ চনিদমক) |

তারিখ : ৩১-০১-২০২৩
মফম : ইম্ফাল

এস দি/-
ওথোরাইজদ ওফিসার

HL-B/8006/4



भारतीय स्टेट बैंक
State Bank of India
KAKCHING BRANCH - 10757
3848-261822 | email: sbi.10757@sbi.co.in
BURMA SUGNU ROAD, KAKCHING, MANIPUR - 795103

রুল ৮ (১)

## পোজেসন নোটিস

ইম্মুবেবল প্রোপর্টিগী

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট (এস এ আর এফ এ ই এস আই), ২০০২ গী (২০০২ গী নম্বর ৫৪) গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (১২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২ গী রুল (৯) না পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা বোরোৱরদা দিমান্দ নোটিস থাদুনা নোটিস অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস ফঙবা তারিখতগী নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা শিংদোরক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱরনা শেনফম অদু শিংদোকপা ঙমখিদবদগী বোরোৱরগা লোয়ননা মীয়ামদা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমদি মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল ৯ গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসি ওথোরাইজ ওফিসারনা ০১-০২-২০২৩ দা লৌশিল্লে হায়না নোটিস অসিনা খঙহল্লি।

প্রোপর্টি অসিগী মতাংদা দিল্লিং তৌনদনবা অমদি করিগুম্বা দিল্লিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈনবা শেনফম অমদি ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা মরী লৈনবা চার্জশিংগী ওইনদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ককচিং ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌনবা মরু ওইনা বোরোৱর অমসুং মীয়ামদা খঙহল্লি।

| বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং অমসুং লৈফম | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ | ১৩ (২) নোটিসকী তারিখ অমসুং নোটিসতা য়াওবা শেনফম |
| --- | --- | --- |
| বোরোৱর:- শ্রী থোকচোম অলফ্রেদ সিংহ, অপোকপা টিঐচ রাধামোহোন সিংহ, প্রোপ. অলফ্রেদ চিকন দেলিভরি ফার্ম, লৈফম্না ককচিং মখা লৈকায়, খুল্লাকপম পরেং, ককচিং, মণিপুর।<br>গরেন্টর:- নাওরেম বসন্ত, লৈফম্না কালিহোমন পরেং, ককচিং। | পাট্টা নং. ৪২০ অং (অরিবা), ৮১/পার্ট (অনৌবা), সি এস দাগ নং. ৫০৫/পার্ট ওইবা একর ০.০৭ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৫৮-ককচিং খুলেন, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা শ্রী থোকচোম অলফ্রেদ সিংহগী মিংদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা ইঙ্খোল-<br>অৱাং:- শ্রী ৱাই রাজেন সিংহগী ইঙ্খোল<br>খা :- শ্রী কেএসঐচ নোদিয়া সিংহগী ইঙ্খোল<br>নোংপোক :- শ্রী ৱাই মুরৈ দেবীগী ইঙ্খোল<br>নোংচুপ :- আই ভি রোদ | নোটিসকী তারিখ ২৬-১০-২০২২<br>লুপা ১৯,৬২,৫৮০.৫০/-<br>(সিসি-লুপা ১৪,৪৩,৭৫০.৫০/- + এফ আই টি এল লুপা ৫,১৮,৮৩০/-) (লুপা লাক্ষ তরামাপন লিশিং হুম্ফুনিথোই চামঙা মরিফুগা পৈশা য়াঙ্খৈ দমক) |

তারিখ : ০১-০২-২০২৩
মফম : ককচিং

এস দি/-
ওথোরাইজদ ওফিসার

HL-B/8007/4